পূক্নিং শৌশিং | বামোন অমুমচা

ঈশ্বরনা পামজবা লাইনীং

মতম অমদা পাঙ্গলনা কন্না থবক শূদুনা পুন্সি লেঞ্জবা নুপা অমগা মতম চুপ্পদা ঈশ্বরগী মতীক–মগুণ শোনদুনা, লাইনীংদুনা লৈবা নুপা অমগা লৈরম্মী। মখোয়গী শিবগী পূংফম য়ৌদুনা মখোয় অনী শিরে।

থৱায় অনী অদু যমগী দুতনা অশি লৈবাক্তা পুদুনা চৎলম্মী। অশি লৈবাক য়ৌরগা পাঙ্গলনা থবক শূবা নুপা অদু শ্বর্গদা খুদক্তা থাখিরম্মী। অদুবু সাধু অদুদি শ্বর্গগী থোঙ্গালদা ঙাইহন্দুনা থম্লম্মী।

সাধু অদু মতম খরা ঙাইরগা খাঙবা ঙমশিল্লক্ত্রে। মহাক্না যমগী দুত অদুদা শাওরপ্না ৱাকৎলি, “করিনো তৌবিরিবসিবো, লাইরিক–লাইশু হৈতবা ধর্ম্মগী লাইরিক–লাইশু পাদবা, ঈশ্বরগী মতীক মগুণসু নোংমতা শোন্দবা নুপা অসিবুনা শ্বর্গদা কাহনখ্রগা মতম চুপ্পদা ঈশ্বর নীংদুনতা লৈজবা ঐবুনা ঈশ্বরগী মনাক্তা চঙহন্দবা অসিবু চুন্লিব্রা।”

শ্বর্গগী সনথোঙ ঙাক্লিবা দুত অদুনা হায়রকই, “অদোম্না তাকপীরিবদু লাল্লে। থবক ৱানা শূদুনত লৈজবা নুপা অসিনা নুমিৎ খুদিংগী ৱাহৈ পরেং অমখক্তংনা ঈশ্বরদা হায়জে, ঈশ্বর নীংবগী মতম অমুক কায়থোক্তে মদুনা ঈশ্বরনা হেন্না পেঞ্জে।” “করি ৱাহৈ পরেংনো মাগীদো?” সাধু অদুনা হংই। দুত অদুনা পাউখুম্লকই, “হে ঈশ্বর ঐহাক্কীদি নহাক্কী নতীক নগুণ থাগৎতুনা লৈনবা মতম শংজদে, ঐবু ঙাকপীয়ু” হায়বনি।

লাইনীং লিচৎতা হেন্না মরু ওইরিবদি পুকচেল শেংবনি। ঈশ্বরদা চিরোল তৌদুনা থাগৎপা খক্তদু নত্তে।

[illegible]

[illegible]

ইন্টর্নেস্নেল দে ওফ এক্সন ফোর রিভরস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ঃ মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম ঙসি ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সিদা লৈবা ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ রিভরস ইন ইকো সিষ্টেম ইন মণিপুর হায়বা হীরমসিদা ইন্টর্নেস্নেল দে ওফ এক্সন ফোর রিভরস পাঙথোকখ্রে।

কাউন্সিল ওফ সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল রিছার্স– নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (সি এস আই আর–এন ই আই এস টি), দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, সাউথ ইষ্ট এসিয়া সেন্টর ফোর এগ্রিকলচরেল সাইন্স এন্দ হ্যুমেনিটিজ অমসুং ক্লাসিক গ্রুপস ওফ হোটেলনা পুন্দুনা শীনবা থৌরম অদুদা চীফ গ্বেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা রিটয়ার্দ আই এ এস ডা. আর কে নিমাইনা ফোঙদোকখিবদা, অইং–অশাগী খল কায়থরকপা অসি মহৌশানা অদুমক থোকহনবনি। ঐখোয়না মালেমগী ওইবা মশক অমা খঙদনা মহৌশাগী মরমদা নৈনবা য়ারোই। মহাক্না হায়, ইম্ফালময়োল ফাওদুনা চেল্লিবা নম্বুল তুরেল অসি শেংদোক্কনি হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমনি। অদুবু তুরেল মপালদা সিমেন্ট চল্লগা তুরেলগী অমোৎপা শেংদোক্কনি হায়বদি য়ারোই। লৈঙাক ঙায়দনা ঐখোয় ইশা–ইশাসু ৱাখল তাবা মথৌ তাই। ঐখোয় খুদিংমক্না তুংগী মীরোলদা অকায়বা পীগদবা থবক অমতা তৌরোইদবনি। লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্লিবা লমদম অসিগী মহৈরোইশিংনসু দিগ্রী খক ফংনবা পিঐচ দি তৌহন্নীংদে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবশিং কুপ্না নৈনদুনা মীয়ামদা কান্নবা পীহন্নীংই। অফবা থবক অমা পায়খৎপদা মীয়াম হুপ্না এৱার্নেস পীদ্রগদি মায় পাক্লোই অমসুং লৈঙাক্না থবক অমা পায়খৎপদা মদুগী অফ–ফত্ত সজেসন পীবা চঙই। হৌরক্লিবা নহাশিংনসু অফবা থবক অমা তৌবদা থম্মোয় শেংনা তৌগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা গ্বেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখিবা এম য়ুগী হান্নগী রেজিষ্টার ডা. আর কে রঞ্জননা মীওইবা সিভিলাইজেসন অসি তুরেল খোঙবান্দগী হৌরকপা ঙাক্তনি। ঈশিং হায়বসি য়াওদ্রবদি খুদিংমক অমতা হিংবা ঙমদে। অদুনা তুরেল হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়না খনগদবনি। তুরেলগী নাক– য়েৎতা মিটর ১০।২০ গী চাংদা তোর্ব্বান ঙাকপা ঙম্বা পাম্বীশিং থাজিনগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা সি এস আই আর–এন ই আই এস টি ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. ঐচ বিরকুমার, এম য়ুগী স্কুল ওফ মেথমেটিক্স এন্দ ফিজিকেল সাইন্সকী দিন প্রোফেসার এন রাজমুহোন অমসুং ক্বাকলৈ এন্দ খোঙ্গুম্মেলৈ ওর্চিদ প্রাইভেট লিমিটেদকী সি ই ও ডা. আর কে কিশ্বরনা মথংশিংনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট অমসুং গ্বেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি।

[illegible]

ইখোল অমা অথুবগী য়োঞ্জরি

খুরাই থৌদাম লৈকাইদা লৈবা মেন রোদতগী মিটর ১০০ মুক চঙই, লম্বীদি টাটা থৌজিনবা চল্লি। পোইন্ট ২.৩৩ চাউই, চাউরাক্না স্কৱার ফিট ২৫০০ মুক থাজগনি পাম্বীবশিংনা মখাগী ফোন নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবিরকউ।

কন্টেক্ট নম্বর

SL/E/15,16 & 17 — *৮৮৩৭৪৪২৭৬২ / ৮৭৮৭৪৭৫৮৭৬*

[illegible] / ইখোল য়োঞ্জরি

অথুবগী ওইনা ইখোল অনী য়োঞ্জরি, মফমশিংদি ঘড়ী অৱাং লৈকাই, এয়ারপোর্ট রোদতা .৮ অমনা তেরা লুক্রাম লৈরক, এফ সি আই রোদতা .৪ চাউবা ইখোল য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা/ কনাগুম্বীনা পাম্বীরবদি মখাগী নম্বর অসিদা ফোন তৌবিরক্লগা অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

কন্টেক্ট নম্বর

SL/4531/15,17 & 19 — *৭৪২১৯২৭০৬৬ / ৯৪০২৬৪১৫০০*

[illegible] DUTTA [illegible]

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক অর্সিনাসক পাইলস কেপসুল দত্তা ক্লিনিকতগী ফংবিগনি

অঙৌবা পকপা

অঙৌবা পকপশিংবু থুনা ফহনবা ঙম্বা ইঞ্জেক্সন থুংলরে। হৌজিক্কী অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱারুবগী দরকার ওইদ্রে। ইঞ্জেক্সন অসি শীজিন্নবনা পূং ২৪ গী মনুংদা অঙৌবা পক্লিবা মফম অদুগী মচু হোংলক্কনি। লোয়ননা পুংফ ফহনবা ঙম্মী। লোয়ননা মায়হিং, স্কিন অজমা, উরিং, মায় চাফৎপা মখল খুদিংগী স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

নুপাগী সেক্সকী সমস্যা (মেল সেক্সসুএল প্রোব্লেম)

নুপাগী ফম্বী থুনা থোক্কনবা, ফম্বী পাবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা, নুমিদাংদা ফম্বী চৎপা, খোঙ হাম্বা অমসুং মপান থোকপদা ফম্বী লোয়নরকপা, ফীনুংগী হকচাংদা হাক্কচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অসিনচিংবশিং অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

নুপীগী সেক্সকী সমস্যা (ফিমেল সেক্সচুএল প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদ্রবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা হকচাং মনুংদা হাক্কচ্চবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি অতৈ লায়নাশিং অসি অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

দাইবেটিসকী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙম্লে

দাইবেটিসকী লায়না লৈরবদি ৱেট চাং হন্থরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলসু শোন্থরক্কনি অদুনা অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসি শীজিন্নরবদি মতম খরগী মতুংদা দাইবেটিক্সকী চাংসু নোংমা নোংমগী হন্থরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্কনি অদুনা অথুবা মতমদা তান্নবীয়ু।

ব্রেষ্টকী প্রোব্লেম

অয়ুরবেদিক্কী মেদিসিন্না অদোমগী অপীকপা অমসুং চোন্থবা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজবা, পূক্নীং চীংশিন্ননিংঙাই ওইবা অমসুং মপূং মরৈ ফানা থম্নবগীদমক ঙসিমক লাক্তুনা ব্রেষ্ট ওইন্টমেন্ট অমদি হীদাক শীজিন্নবীয়ু।

নুংশং

ঈ তাবা, চাফৎপা পোম্বা, হাক্কচ্চবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখল অসি ওপরেসন তৌদনা হীদাক শীজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে। নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা কান্নবা খঙবা ঙমগনি।

শমগী প্রোব্লেম

শম কেনবা, কোক তাঙবা, পোক হৌবা, শমজাবী অসিনচিংবা লায়নাশিংদা কোক্তা তৈনবা থাউ অদুগী অতোপ্পা হীদাক খরগা শীজিন্নরবদি শম কেনবা হন্থরক্কনি অনৌবা শম হৌগৎলক্কনি অমসুং পোক্কী মচু ওল্লক্কনি।

গ্যাষ্ট্রিক্কী প্রোব্লেম (পুক্কী লায়না)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, অসিনবা কাখৎপা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, পুক থীনবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসিনা লায়না ফহনবা ঙম্লে।

নাকোংগী প্রোব্লেম (না তাদবা)

না তাবা ৱাৎপা, নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা, নাকোংদা তাবগী চাং ৱাৎলকপা অমদি অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। অমুক্তং লাক্লগা তান্নবীয়ু।

তাং চিকপা অমসুং খ্বাঙ নাবা

তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ খূৎ শিথবা, মশল নাবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা অজমা, লোক খুবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক রাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিদুনা কন্টেক তৌবীয়ু।

য়ু করম্না থাদোক্কনি

অফবা মখলগী অয়ুরবেদিক্কী হীদাক শীজিন্নদুনা য়ুদগী লাপথোকহনবা ঙম্মী। নুংঙাইবা পুন্সি মরেলনা ওইহনবা ঙম্মী। থুনমক তান্নবীয়ু।

SL/Package

Please Contact DR. (VAID) A.K. DAS
DUTTA CLINIC (REGD. NO. 55503) AYURVEDIC & UNANI MEDICINE
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road, Khoyathong, Imphal

Crossword # 101



ACROSS

1. Visibility lessener
5. Spinnaker support
9. Arnaz Sr. and Jr.
14. Stud fee
15. Humerus neighbor
16. "This is only ___"
17. It leads to a rose
18. Scholar of Islamic law
19. Philanthropist
20. Era that metal cutting-tools emerged
22. Bit of marginalia
23. Pungent bulb
24. Sales person, briefly
27. Opie, off the set
28. Midmorning
29. Sled alternative
33. Adventuresome
35. Flavor
36. Outfielder's yell
37. Gastronomic asset
41. Certain soluble salts
42. Skier's challenge
43. Places to find literary titles
44. "Gone With the Wind" estate
45. Some may have photos
48. Chance occurrence
49. Narc's boss
51. Arts category
53. Earth Day subj.
55. Gotti's sobriquet
59. Farm storage units
61. Water color?
62. Much of a waiter's income
63. All thumbs
64. Break in the action
65. Pennsylvania city
66. Objects of rhinoplasty
67. Reader's Digest co-founder
68. Money in Johannesburg

DOWN

1. Navy's goat, e.g.
2. Cantillate
3. Intervene
4. Allegro or andante, e.g.
5. She hosted a ghost on TV
6. Diva Gluck
7. Fly in the ointment, e.g.
8. Whip wielder
9. The old man
10. Noted town in Buckinghamshire
11. Title with a tilde
12. Type of exercise
13. Military capability, e.g.
21. Caused by necessity
25. Perry White, for one
26. Port in American Samoa
30. Revolt
31. Halloween greeting
32. Artist Max
34. The Eternal City
35. Spider-Man creator Lee
37. Redeems, as poker chips
38. Best Actor of 1992
39. Snow bunny's support system
40. '70s radical org.
45. Rajiv's mother
46. Visit unannounced
47. Knew intuitively
50. In any way
52. Maze marking
54. Unhurried gait
56. Prefix for lateral or distant
57. Well-fed
58. Bits of a song refrain
60. Ave. crossers, often

পাউখুম লমায় ৭ দা

মান্নবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা এস এস য়ু এমনা থৌদাং য়াগনি ঃ *য়াইমা*

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ ঃ সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) গী মরিশুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম য়ুনিয়ন অসিনা শীন্দুনা ওল্ড এসেমব্লি রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এস এস য়ু এমগী প্রসিদেন্ট সোরাইশম য়াইমা মীতৈনা হায়, য়ুনিয়ন অসিগী মরিরকশুবা মপোক কুওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি জেনিমসদা ব্লদ দোনেসন পাঙথোক্কনি। মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক ‘কথোক্লবা ঈ’ হায়বা থিমদা ব্লদ দোনেসন অদু পাঙথোক্কনি লোয়ননা য়ুনিয়ন অসিনা মহৈরোই মঙাসু মাগী–মাগী স্কুলদা এদমিসন তৌবিদুনা মখোয়বু মখা তানা লাইরিক তম্বদা মতেং পাঙগনি। য়ুনিয়ন অসি লিংবগী মরু ওইবা পান্দমদি মান্নবা খুন্নাই অমা লিংবনি। লাইরিক–লাইশু নীংথিনা তমদুনা মালেমগী লমজেলদা য়াওবা ঙম্লবা মতমদা মান্নবা খুন্নাই অমগী শক্তম লাক্কনি। মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা মহৈরোইশিংনা তঙাইফদনা লৌবা য়াবা থৌদাং অদু ঐখোয়না লৌফম থোকই।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, এস এস য়ু এমগী মপোক কুমওন অসিদা য়ুনিয়ন অসিনা ৱারে অহুম লৌরে। মদুদি, লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোনবু মণিপুরগী মীপুম খুদিংমক্তা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা লময়ানবা ইরাবতকী নীংশিং শঙলেন মফম অয়াম্বদা শাবা লোয়ননা লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা মহৈরোইশিংবু লেম্না মহৈ তমহনবা, লাক্লিবা মে থাদা মে দে থৌরম পাঙথোকপা, থা খুদিংগী য়ুনিয়ন অসিগী চেফোঙ পুথোকপা অসিনি।

য়ুনিয়ন অসিগী হান্নগী লেট্টর হেদসু মখা তানা চৎনররোই। হান্নগী লেট্টর হেদ অদুগী মহুত্তা অনৌবা লেট্টর হেদ অমা শেম্লে। লোয়ননা য়ুনিয়ন অসিগী মোটোসু নৌনা শেমদোক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়ং কম্যুনিষ্ট লিগকী কনভেনর ৱাহেংবম রামেশ্বর অমসুং এম পি পি দি য়ুগী একজিক্যুটিভ মেম্বর শ্যাম তাকয়েনজমসু থৌরমদুদা প্রেসিদিয়ম মেম্বরস ওইখি।

য়ুনিয়ন অসিগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতূংদা জেনিমসতা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসনসু পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৩২ না ঈ কৎখি। ঈচেল এক্সপ্রেসকী ডা. হুইদ্রোম রোমেন সিংহনা মহাক্কী ৪০ রক শুবা ওইনা ব্লদ দোনেট তৌখি।

In the Court of Sub-Deputy Collector
Moirang

Ref. :- Mutation Case No. 204/SDC/M dt. 14/03/2019

Phairembam Roger Khuman S/o Late Ph. Shamungouba Singh
of Moirang Konjengbam Leikai

-Petitioner

-Vs-

Late Phairembam Shamungouba Singh
S/o Late Ph. Ibomcha Singh of Moirang Konjengbam Leikai

(opp)

NOTICE

Moirang the 14th March, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫২–মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ২৪৭৩ অনৌবা সি এস দাগ নং ১৩১৮/ ১৩৯০ এরিয়া ০.০২ একর চাউবা ইখোল অসিগী পাট্টাদার মৃঃ ওইখ্রে। মরম অদুনা উক্ত কোর্ট অসিদা মৃঃ পাট্টাদারগী ইমুং–মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা কোর্ট অসিদা আপত্তি তৌবীরবা য়াগনি। করিগুম্বা হায়রিবা মতম অসিদা লাকপীহৌদ্রবদি মতূংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না কেস মখা চখগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Moirang

SL/4532/15

In the Court of the Sub-Deputy Collector
Sagolmang, Imphal East. Manipur

Ref. :- Mutation Case No. 114/SDC/SLG/IE Dated 14/03/2019

Usham Janaki Leima W/o Late Usham Iboton Singh
of Khundrakpam

- Petitioner

-Versus-

Late Usham Iboton Singh S/o (L) Tomba Singh
of Khundrakpam

- Opposite Party

NOTICE

Sagolmang, the 14th March, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং 5-Tangkham পট্টা নং 9 angs অরিবা 2/227 অনৌবা, দাগ নং 264/343 মোট এরিয়া 0.30 একর চাওবা Ingkhol গী পট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নার অসিনা মৃত্তু পট্টাদারগী মিং কল্লগা Applicant অসিগী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপত্তি/Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাওচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপত্তি/Objection তৌরবা য়াগনি, মতূংদা লাকপা আপত্তি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না থবক মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
***Sagolmang,** Imphal East*

SL/4534/15

[illegible]/ শেংদোকচবা

দেসাম অমদি এইমসকী মফমদা ঐখোয় (এস পাচা সিংহ, এম দিনে, দব্লিউ য়াইখোম্বা, কেঐচ দীমাইসন) না শেংদোকচরি মদুদি হৌখিবা তাং ১২।০৩।২০১৯ দা পাঙথোকখিবা ঐচ এস এল সি ২০১৯ দা দ্যুটি পীদনা একজাম সেন্টর চঙলুবা অমদি লান্না তৌরুবা খরগীদমক লৈবাক মীয়াম অমদি মহৈরোই লূপ অনী দেসাম অমদি এইমসতা ঙাকপীনবা অমদি মতূংদা অমুক হন্না তৌজররোই হায়বগী থাজবা অদু ইশানা য়ানা পাউজেগী খূখাংদা শেংদোকচরি।

SL/4533/15

EMPLOYMENT NEWS

থবক্কী পাও

SBI Recruitment 2019 - Specialist Cadre Officer Vacancies
Post Name: Specialist Cadre Officers
No of Vacancies: 08 Posts
Eligibility: Degree / Post Graduate

State Bank of India invites online applications from eligible Indian Citizens for appointment of Specialist Cadre Officers on Regular and Contractual Basis. The SBI Specialist Officer Recruitment 2019 online registration of application will be close on 24th March 2019.

……

Riflemen vacancy in Tripura Police Recruitment 2019

Tripura Police recently published Riflemen recruitment notification 2019; Check all details here and apply on/before 08-06-2019.

Tripura Police March 2019 Notification Details

Riflemen	10TH, ITI, Diploma
Job Location	West Tripura
Total Vacancies	1488
Date Added	08/03/2019
Last date to Apply	08/06/2019

শারুংবম বীনোদিনী

[illegible]

অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ

(লাইরিক অসি হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না পাম্না পানরিবা নোভেলনি। লাইরিক অসিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা পীবা “ডা. যামিনি সাহিত্য মনা” অমদি সাহিত্য সেবা সমিতি, মণিপুর ঃ ককচিংনা পীবা “য়েন্দ্রেম্বম সুরলতা পুরস্কার” ফংখ্রে।)

অহুমশুবা শরুক

ঙরাংগী মখা…

হাউরবা উহৈশিং নুমিৎ খুদিংগী চামিন্নদুনা অপূনবগী য়েন্নীং হুল্লরনি থম্মোয়–থম্মোয়দা। ইপা–নাৎ, ইপু–নাৎ ৱারী মথেলদা খঙনীংবসু খঙজবা ফংলনি। য়েলহৌঙৈগী ৱারীদা য়াওরক্কনি নীংশিং–নীংশিং চৎন–পথাপ খুন্নাইসিনা চৎনরম্বা, লাকশিঞ্জবা ঙম্লনি শেংলবা শক্তম ইপা–ইপুশিংগী।

মুক্না–কাংজৈ, শগোল–কাংজৈ, লুমাং শাইনোন্না নোম–নোম, নাপদা নাচোম চিন্দুনা খুন্থক–খুনখা কাং–শান্নবা, লৈশা–পাখঙ ফম্মীন্না লিকোন শান্নবা, লৈ–লেংবা, ইবা–পাবা হৈনদ্রিঙৈ, পূন্না পেনা তামিন্না খোংজোম পর্ব্ব তাবদা অফ–ফত্ত খঙমিন্না, তাইবঙদা তাদ্রিবা চৎনলোন্নি, ঐখোয়গীতা ওইবনি। ইচেম–ইনেম ওইবনা মখা থাবা কৌবশিং নুংশি–চান্না লমজিংবী, তাদ–মাম্মা ওইবসু, মরোই–মনাও ওইবনা হঙ্গৎনা য়েংনদে হায়নবদো অচুম্বরা খঙহৌরগে। য়াইথিং–কোনু, খম্বা–থোইবী নুংশি নুঙোল ৱারীনা পেনাগী শৈহেক্তা নিনবদি নোংয়াই চবুক য়ৌই হায়। পাখঙ–লৈশা মরক্তা ইন্দ্রি ঈরাং হৌদুনা ৱা অমত্তা থোক্লদে, মৌসু অমত্তা মাঙনদে হায়, করম্ননো খঙহৌগে। চাউখৎলবা মতমসিদা লাইরিক–লাইশু হৈনরগা নুপীশিংগী থাকসিনা ৱাংনীংবনা খংৱাং ৱাং, নেম্বদনা খংনেম নেম ঐখোয় শ্বায়দা তৌরিবসি নুপাশিংনরা হায়বদু ময়েক শেংনা হংহৌগে। মীয়াম মীৎতা চন্নদবী ওইরিবসিসু পাউখোং ওইনা চম্থোক্লে, ফোঙদ–ফোঙবীরক্লবা ঐনি শেংনা হায়দোক্লে। মহাভারত, রামায়নতনা ৱারীরা? পুন্সিগী ৱারীসু ৱারীনি। মীরৈবাক্কী চাউখৎপগী মতৌদু ইয়াও–য়াওদবা তারবসু নুংশিবনদি থল্লনি, নুংশিথেলগী পোত্থা–শঙলেন। নোংমদি লাক্কনি হায়খিবা সতি শাবা নুপাদুসু অহল ওইরগা লাক্লবসু ৱারীগী ৱারী ঙাক্তনি। উনীংবগী লাকহন্নীংবনি, মানদি খঙবীদ্রবসু করিসু কায়দে, নুংশিববু তুমিন্না নুংশিবসু য়াবসিবু। নহা ওইরিঙৈসিদা উনবদু ফংদ্রসু অহল ওইরক্লগা অদুম উনরগা লোইরে। লাক্কনি হায়বদুবু লাক্লবদি নুংতিগী লাকউ হায়না শেংনা হেক্তো হায়হৌগে। নুংশিবসিবু অহল ওইরগা লোইখিগদ্রা? মদুমদি হৌজিক্তি খঙদ্রি, মদুসু অহলশিংগী ৱারীদগী খঙলনি।

পূক্নীংনা নীংজবা, পামজবা হায়বসিদি কাউবা ঙম্বা ৱাফমদি ওইদে। তত্তনা খল্লি, পুন্সিগী লানফম কুংখিবনা করিগুম্বদা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদবসি ঐতগী ইফমদা থোকপদি ওইরমগনি নীংদে। পূক্নীংগী অপাম্বা ফাওবা লিথোকফম লৈতবা ঐগী ইফমদদি অতিয়াদা থোকপা থাজবু লাম্বগুম থোক্লোইদ্রা?

পোত্থা–শঙলেন শাবগী শেনফম মরাঙ কায়না লৈরবসু তৌগদবা থবকশিং অদুমদি অরাইবা নত্তে। পোত্থা–শঙলেনগী শক্তম–ফিদম অমদি শাদুনা মীৎমাঙদা থম্বনা তঙাইফদ্রবা অহানবা থবক ওইরকখি। পোত্থা–শঙলেনগী অকোয়বগী শকওং পূক্নীংদা তারিবা মমি অসিমক য়েকথোক্তুনা য়েংবা তারি। মীওই কয়াগী মতেং য়াওদনদি ওইগদবা নৎত্রে। তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবশিং খরা হেন্না পাকথোক–চাউথোরকপগুম পূক্নীংদা ফাওরি। মথং মথং …

য়ুমগী লায়য়েং

শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ

চাবা (চিঙ্গাক)

ঙরাংগী মখা…

চীঙ্গাক পূম্নমক অপেৎপদা ওইনা চাগনি। অদুগা মহী চাওনা চাবা থকপা য়াদে। অদুদা শায়ফাত্তনা য়োৎশিনগদবনি। অদুগা চাক হেক চাগে হায়বা মতমদা “ওলিভ ওইল” চামচ অনী, চাকচা–মাঙদা থক্কদবনি। খোঙহাম্বা অসি নোংমদা অনীরক/ অহুম্লক য়াননবা হোৎনগদবনি। মশিংখানে, পেনক্রিয়াটিক জুইসনে, অদুগা অতৈ আলকালি ওইবা মহী কয়ানে অসিনা পুক্কী ওইবা মওং অসি নীয়ম অমগী মখাদা থম্বনি অদুগা এসিদ ময়াম অদু মাঙহনবনি (ন্যুট্রেলাইস)। গেস্ট্রীক জুইসকী শরুক লীশীং অমদগী লাকপা হায়বদি য়াওরকপা হাইড্রো ক্লোরিক এসিদকী চাং অদু শরুক মঙাদগী অহুমদা অশীনবা হন্থহন্দুনা থম্নবা লাক্লজরিবনি।

ষ্টৌমাক অলসর – পুক চাথৎপা অসি ফবা ঙম্ব্রা হায়বা অসি মী পূম্নমক্না খঙনীংবনি। মরমদি হৌজিক্কী যুগ অসিদা লৈবাক মচা তাবা জগৎ অসিগা লোয়নবা লায়না ওইবনা পুক চাথৎপগী লায়না নাদবা লৈতে হায়বা য়াই। তশেংবদি মী অসি শিরবা মতমদা য়েংবদা পুক চাথৎপা ফখিবগী জখম অসি পুক্তা লৈবা য়াওই। অদুনা মতোমদা ফজখিবা ফাওবা য়াওই হায়বা য়াই। অদুগা চাকখাউ অমসুং দ্যুদেনম অসি অলসর তৌবদগী ফখিবা মশীং নাইদনা লৈ। মখাগী রুটিন অমসুং প্লান অসি মুন্না য়েংদুনা চৎপীয়ু।

(ক) পুক চাথৎপগী খুদম হেক ফংবদা চয়োল অনী/ অহুম হকচাংগী মথক থংবা শরুক ৱাংখৎনা মোন–মোনপাক হাইগৎনা থমদুনা লেঙদনা লৈহনবীয়ু।

(খ) খোঙহাম্বদা ঈ অমুবা য়াওরবা, ঈ ওরবদি করিগুম্বা মখলগী চীঙ্গাক নুমিৎ ২/৩, অদুদগীসু হেন্না পীজবা কৌবা তৌদনা থম্বীয়ু।

(গ) চীঙ্গাক পীজদ্রবসু চাকখাউদু নাদুনতা লৈরবা অদুগা এসিদ লৈরে হায়বগী খুদম নুংঙাইতবা লৈরবদি সোদিবাইকপ খরা খরা পীদুনা এসিদ অদু মতম খরা মাঙহন্নবা তৌগনি। নাবদু পুমফ ফখিগনি।

(ঘ) নুমিৎ ৩/ ৪ নিগী মতূংদা য়াম্না থোৎপা পোৎ পীজগনি। চাং অদু খরা খরা হেনগৎনা পীজগনি। চীঙ্গাক্কী চাং হেনগৎপগা লোয়ননা চাবা তমদসু শাংদোকহনগনি। থুম য়াওদবা মাখোন পীজবা য়াই। ওলিভ ওইলদি চাকচা–মমাঙ খুদিংগী চামচ ১/২ পীগদবনি। মদুতনা এসিদ পোকহল্লোই।

(ঙ) থুম হায়বসি পুমথা থাদোক্কদবনি।

(চ) মহী–ঈশিং অসি য়ারিমখৈ থাদোক্কনি। চুপ্তুনা খর–খরদা থকপীয়ু। ঈশিং য়াম্না হেক থকপদা, থুম থাকপা এঞ্জাং মহী হেক চাবদা এসিদ হেক্তা পুক্তা থোরক্তবা লৈতে।

(ছ) নোংমদা ২/ ৩ লক মাঙথোক্তবা য়াদে। আগর আগর, ব্রান শীজিন্নবিয়ু।

(জ) পুক অদু (ফোর্মেন্টেসন) হীগা য়ৈবীয়ু। নোংমদা অহুম্লক য়াই।

(ঝ) পূং ২৪ অসি অশেংবা নুংশিত্তা লৈনবা, তুম্বা মতমদা মপান্দা, মাঙ্গোলদা তুম্নবা লাক্নবীয়ু। মশা পূম্নমক নম–নানবীয়ু, মদুনা মথ্বায় নুংঙাইহনগনি। মথং মথং …